

*“নঙগী লৈরিক্না শেম্বীরে হকচাং*
*ঈশিং নুংশিৎনা হাপ্পীরে থৱায়*
*করিদি য়াওরি ইমাগী নত্তবা*
*ঐহাক্কী অপূম্বা নঙগীনি ইমা।”*
*- বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*
*(খুরুমজে ইমা পোক্লফম লমদম)*

## ৱাকৎ

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ৱাকৎনি পেন্দবা কনাগী
মখৌ পোংনা লাউরিবশিং
অদুগী মরক্তা, ৱাকৎনি ৱাকৎ

তারমদাই নুমিৎকী মশক কুপ্লে
মালেম লৈমনা ইমম মমশিল্লকপগুম
মনুং মতম লোইরদুনা হৌরিবা উপালগুম
মতমগী নোংলৈ নুংশিৎ কয়া মায়োক্নরি।

অহিংবা, অচংবা পুন্সিগী হিদেন তাফমদা
পুন্সি খোঙচৎনি, পুন্সিগী ঈচেলনি
হৌরকফমসু লৈগনি অরোইবসু নাইগনি।
ৱাকৎ কয়াগী মপৈনি অপাম-পামদা
অপেন পেন্দা নাইগনি।

তেনখ্রবা মতম খরা অসিদা থেংনরি
মখল মথেল কয়াগী ঈথক ঈরৈ
তাওথরি ঈচেল অসিদা অরেপ্পা লৈতনা
মতমগী কল্লবা নোংলৈ কয়াগা লোয়ননা।

ঈথক ঈরৈ অসিনা পুরদুনা ঐবু
থেংলুরি তোর্ব্বান অমদা
ঈরৈ অমনা পুরদুনা,
খন্থরুরী ৱাখলগী ঈপাক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন
ৱাখল অমদগী ৱাখল অমদা
পলেপফম অমা থীরি।

অয়ূক্কী ইংলবা নামিবা নুংশিৎনা
পৎথরবা হকচাং পোলাংদা থেংলরবদা
মকুম থাদা অনৌবা য়েন্নিং হুনবগুম
তনৌ তনৌবা মালেম অমা অমুক উরকই।

অঙকপনি মহৌশা লাইরেম্বী মাগী খূৎশেম
মহাক্কী নীংথিরবা খুদোল কয়া
লৎনরি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না
ঐগী অপাম অনিংবা ৱাখলনা
মাঙদা থল্লদুনা লাউরি খোঙলি
পেন্দবগী ৱাকৎনি, ৱাকৎনি পেন্দবা
কনাগী ৱাকৎনি।

## কায়রবা থম্মোয়

**—নন্দো হাওরোংবম**

লাঞ্জদবা মানবা ও
মীৎলুগী পিরাংগা লোয়ননা
য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা
খূৎশা অনী লোন্না
খুরু খুদক কুন
শরি ৱাশক শক্তুনা
মীয়ামদগী শক্তি নীখিবা।

ফিরাল মমায় চুমখ্রগা
তৌথোরকপা থবক্না ওন্ন-তৈন্না
ৱাশা শাজৈ পায়দুনা
লেংলাই থুংলবা ষণশিংদা
অরা-তিতি, অরা-তিতি হোইখিবা
কুন্বী কালেন খাক্তনা
চহী মঙা ঐখোয়বু।

কাউবা ঙমদে, নিংদোল পোমই
অনৌবা চহীনা লাকপগুম
পাইমা পীবুক হোংদনা
চেঙ পুরগা চেঙ শিং
ফৌ পুরগা ফৌ শিং
তন্বীরসি পাড়া, তন্বীরসি পাড়া
কায়রবা থম্মোয়না... মখোয়বু।

## খয়াৎ

**—কুলচন্দ্র মোইরাংথেম**

খোঙ থাংবা কাউরে
শাখপ তন্বা ঙমদ্রে
তমথীরবা খয়াৎতা
তারবা থৱায়বু
পূন্না য়োৎকে থৌরাংনি
খয়াৎ অসিনা ওইরদ্রা
পোকঙমদ্রবা মপোক্কী অরোইবা।

অমুক্তংদি চাং য়েংলগে
পান্থৈ লৈতে করম্নো
ফ্রং-ফ্রং চোঙলুবা
অরোইবা খোঙ্গাও তল্লুবা
থোইনা হেন্নদুম ফাজিল্লি
মঙলান ওইরে অরেম্বদা
কোক্তা খূৎ হাপলেদো।

চোঙ-ফনবা ঙমদ্রে
খয়াৎ ’সিদগী নান্থোকপা
লাক্লে থৌদোক কয়া
অমা-অনী-অহুম
লৈকোল লৈরাং লৈকা
ওইরে মঙলান হৌখ্রবা
অনৌবা মঙলান লৈরক্ত্রে।

চোঙন-ফন্না তল্লক্লে
অরোইবা শরাক হরাউনা
য়েংনা-খঙনা কপ্পনা
কিনা-খঙনা লাউবনা
মায়কৈ মরি শিল্লক্লে;
শম্না ’মগী পান্থৈ লৈত্রে
তারেদো তমথিরবা খয়াৎতা।

## ঙসিগী খুন্নাইসিদা

**—কান্তা মৈরালাকপম**

মীনোক চাউরবা খুন্নাইসিদা
হিংহৈদ্রে লৈহৈদ্রে
মতু মমান শোনবশিং
ঙসিগী খুন্নাইসিদা।

শেলনা ইকায়খুম্নরি
খুন্নাইসিগী চৎনবী
শেলবু পায়রবদি
শঙ্গ হেক্তা লৈরে।

মী খুদিংমক
চপ মান্নে
হন্থনা খন্দ্রবদি
অফবা খুন্নাই ওইগনি।
মী অমা ওইনা হিংলবদি
শেম্থোক লম্বী লৈবা তাই।

## অতেকপা ঙা

**—মনি থৌদাম**

থাবদা মঙায়রি গাড়ীদগী
ঐনা পামজবা ঙাক্তনি
তগৎ-তগৎ তেক্লি মশক
মশক ফজৈ ঙৌরোক ঙৌই।

ঈশিং চাইদ্রি-নাল্লি
মমিৎ মনা কপ কপ
লৈনীংবনা ঙাংনৈ ঙায়োনবী
হুন্নৈ ঙাইহাক মমল।

নহানি কার তোংবা
মমল মথা থিদনা
বেক্তগী শেল থিখি
হাপখি গাড়ীগী সিটতা।

উনা উনা পুখি ইমাঙদা
য়েংজহৌরগা খাংজৈ চাক্লা
কারদা পুখিবা অতেকপা ঙা
হাউনা চারনিকো নহাদো।

খঙলে শেলগী পাঙ্গল
পূন্নমক নহাক্কী মখাদনি
ঙাবক, ঙাতেন মখোয়গীনি
খনবদা মঙাইরে চানীংলবসু।

ফাবৌঙা অপৎপদা ওন্দুনা
পায়দুনা হংহৌরে মমল।

## উপু

**—চীংশুবা শামু**

খুদিংমক্কী পূক্লিং চিংশিল্লিবনি উপুদুনা
পূন্নমক খৌরাংনা য়েংনরি
মখোয়গী নিংথৌ
থোরক্কদৌরিবনি উপুদুগী মনুংদগী।

ফিঙৌ ফৌদুনা ঙাইরিবা মীয়ামদো
য়াওখ্রবনি মশা মশাদি উপুদুগী মনুংদা
শিখি নাখিবা পূম্বসু লোইনা
হিংগৎতুনা লৈরিবনি মনুংদুদদি।

থল্লিবনি পূন্নমক শুপ্নম নমশিল্লগা
চাজুম নমশিন্দুনা উপু অদু
মখোয়গী নিংথৌ
ওল্লক্কদৌরিবনি মনুংদা য়াওরিবা ময়ামদুনা।
মীয়াম শাদুনা ঈহৌ হৌরম্বশিং
লৈরিবনি উচি অপুম্বা ওন্দুনা মনুংদুদা
য়াওরি অখঙ অহৈ কয়াসু
চীনগা খূৎকা তোঙান তোঙান উপুদুদা।
পূন্নমক খৌরাংনা য়েংনরি
মখুম হাংদোরকপদা উপুদুনা
মখোয়গী নিংথৌ
চোঙথোরক্লি লৈঙাক চৈতুপ পায়দুনা।
পাইথোরক্লি মশা পান্দুনা
অওৎ অনৈ, মীহাৎ মীপুন, তম্নলাই কয়া
থোরকপগী অরোই অখম নাইদনা
মখুম হাংদোরকপগুম পেন্দোরাগী উপুনা।

## থোৎলবী লৈনারক্তা

**—মেঘ কোলোম**

চেলমখিগদ্রা নুংশিবা লৈনম
থোৎলবী লৈনারক্তুদা লৈহি
থাপ্পা খুঙ্গং লৈকোলনুং
সহরগী ৱাংলা গল্লাথক
পোমশাৎনরিবী শিঙেল্লক।
চকৃক নাকৃক চকৱাইনা
অরোন সহর শঙলেন্নুং
খুঙ্গংগী মল্লবা মীথুংশঙ
শাৎনরমখিগদ্রানে তরক্না ঙসি।

নুংশিবা লৈনম্না চুরবী
য়েন্নিং লৈশাৎ নাইজবী
লৈনারক্তা নিক-নিক্না
নীংথিবী লৈরাংশিংদো মহৌশাই।

## এক্করিয়ম

**—খাইদেম বোরসিংহ**

মচু মচুগী ঙাশিংনা
শান্নজরি নুংঙাইনা
ফেৎ ফেৎ মমৈনা
অরৈবা চামিন্না।
কনানা মথক’
কনানা মখা’
চৎনীংবদা চৎচবা
করি হায়নদে শাওনদে।
অচৌ মচা খায়নদে
অকন অরিং শিংনদে
ঐনা ঙন্মী হাৎনদে
ইচা মীচা নাইনদে।
মপুনা য়োকপা ঐখোয়নি
কনাবু শিহন্নীংগনি,
মপুনা য়োকপা ঐখোয়নি
কনাবু শিহন্নিংগনি।
ইথন্তা শিজগদবা মপোক্লি
পুন্সি মতম লোইরগা
খঙলিবোইরে মখোয়দি
নুংশি চান্না মতৌদি।
তাক্লিবরা পাড়া’মা
অউবদা খঙজসনু মতাগুম
মচিন্না চপ চপ
মখোলদি থোক্তনা।

# চেপথরবা ঈশিং পুন


## (স্বর্গ পাংলিবা খরা, নরক তল্লিবা খরা, লমচৎ মখল কয়া য়েক্লিবা অইবা)

***ককচীংবু*** ঐখোয়না হায়নৈ, মণিপুরগী পুক্কৈনি, অদুবু ঙসিদি অমুক ওইররে খোরিরোলগী পুক্কৈ, লিটরেরী হব অমা। লেপ্পা লৈতে অইবা কয়া মথঙ মথঙ, নুপাসু নুপীসু, অঙাংসু অহলসু, মখল মখল। কয়াদা চাউথোকচনিংঙাইনো। মণিপুরী খোরিরোলনা ক্ষেত্রি বীর করম লংথোক্লমগনি, য়েংখোম বিহারী করম থনমগনি, ক্ষেত্রি রাজেশ্বর করম নাথৈরমগনি, অদুগা ঙসিনা অমুক মোইরাংথেম রাজেন। দ্রামাদা, থিএটরদা, নাউরেম ওজা কালিমোহনগী মফমসু চাউনা কল্লি, শৈরেংদা শ্রী লেখক লৈরি। নুপীলক্তা প্রমোদিনী, বেমবেম কয়া কয়া। খা মায়কৈ ঙাক্লিবা ঙাক্তনি। অসিদা নত্তে, নীলচন্দ্র, কেংবা য়েংখোম, গন্ধার, বিপ্রচান্দ লৈহৌরি। অমুক্তা হেন্না শীংথানিংঙাই ওইরিবনা এক্টিব সার্ভিসতা লৈনা লৈনা রাজেন্না ৱারীমচাগী লাইরিক অনী পুথোক্লকপা অসিনি। অদুসু পাবা য়ানা। মহাক্কী ৱারীমচা ২০ য়াওবা হন্দক্কী লাইরিক অসিদা অইবনা মাগী অকোয়বদা থেংনরিবা পুন্সি কয়াগী মশক তরু-তরু, থমোয় তিংনা পাউদম্নবা হোৎনরি। অফবসু ফত্তবসু অমতা লোৎশিন্দে। করিসু নত্তবা থিম অমসু ৱারীমচা হেক্তা ওন্থোকপা ঙম্বগী মঙল লৈরে অইবদা। হোয়, তৌবদদি ফেক্ট ওইনা তৌবা ফিক্সন তাফাত্তবা খরবুদি ময়াওরি।

ৱারীমচা হায়বসিদি ফিক্সন্নেলাইজিং ফেক্ট হায়বদুনি। ফেক্ট অমবু খূৎশেম্না ফিক্সন ওনহনবনি। ফনা ফজবা থৌদোক ওইরবসু, ফনা নুংশিবা ৱারী ওইরবসু খূৎশেম ময়াওদ্রবা ৱারীমচা খক ওইবা য়ারোই হায়রি। অদুবু শক্লাইরবা ৱারীমচা ইবা কৈশাম প্রিয়কুমারনা হায়বগুম রাজেনগী ৱারীমচা অয়াম্বদা লোন অমসুং ৱাহৈগী, মফোঙদোক্কী ফজবা মশক য়াম্না য়াওরি। অপাবশিংবু হুমদুনা পুবা ঙম্বা, লোইদ্রিফাওবা পাহন্নিংবা, ৱারী লীবা হৈবা অইবা অমনি হায়বদা লাল্লরোই। শক্লাইরবা ক্রিটিক ডা. মোইরাংথেম প্রিয়ব্রতনসু ফজনা হায়রি, “রাজেনগী কলা (ৱাফোঙদোক) গী তোমথিন ওইনা ফজরবা খূখা অসিনা মহাক্কী ৱারীমচাশিং অসি পৃথিবীগী ৱারীমচাগী থাক্তা মায় পাক্না চিংখৎলি।” অমুকসু ক্রিটিক কে হেমচন্দ্রনা চুল্লবা ৱাফম অমসু হায়রি, “অইবা অসিনা পুন্সিবু কূপশিন্না য়েংবতা নত্তনা, চরিত্র চিত্রন্দা হৈ-শিংবগী খূৎফমসু উৎপা ঙম্মী।” ঐসু হায়নীংঙি, মোইরাংথেম রাজেন ৱারীমচা হেক ইগদবা মীশক্লি। মানা শোকপদা লমচৎ পূন্নমক মাগী মাগী মথৌ চপ চানা তৌহল্লি। অদুগী মথক্তা মঙোন্দা খুন্নাই অসিবু অফবা মায়কৈদা চিংখৎলম্নবা মায়কৈ পূম্বা শোক্তবা লৈত্রে, মাগী থিম হায়বা অমা তোঙান্দ্রে। পুন্সি পূম্বা মাগী থিমনি, অফবসু, ফত্তবসু। অদুনা মাগী লমচৎশিং খরদি স্বর্গ মায়কৈ পাংলি, খরা অমনা নরক মায়কৈ তল্লি, পাউতাক্না মপান খোপ্লিবা ৱারীমচা ঙাক্তনি হায়নীংঙি।

লাইরিক অসিগী হেক লামায় হাংদোকপদা শোয়দনা অপাবশিংনা থেংনবীগনি, খ্বাইনা পাউদমখিদ্রিবা তাঙনা থোকপা লমচৎ অমা। নুংশিবদি থমোয়গী ৱানি, কুরাংবানগী ৱাফম নত্তে হায়বা উৎলিবা থিম অমনি। লন-থুম কল্লক্লুবা নুপী অমগী লমচৎপু লেঙদ্রবা নুংশিবা হায়বদুনা জয় তৌখিবা ৱারীমচানি ‘হোংবা নাইদবা মহৌশা’ হায়বসি। ৱারীমচাগী শাহৌ চপ চানা সস্পেন্স পীনা হৌই। ইবেম্না কৌবী অমগী পুন্সি, লন-থুম কল্লক্লুবনা মাগীদা ৱাজবা, মাবুদা লাইনীং ওইজবা পাখঙ, তোম্ববু লংথোক্লম্লগা ইনাকখুনবা অমদা মমাগী ৱা লৌদুনা ময়ূম পানখি। অদুবু অইবনা সর্প্রাইজ এন্দিং অমা পীরকই, তোম্বনা খক কাউবা লৈখিদে ইবেম্নাবু। লাইবক্না মপুরোইবদু নিশাদা লাইচুবদগী লমখাঙদা পুন্সি পিখম্নখ্রবা তুংদা মৌ ওইনা হল্লক্লুফাও তোম্বগী নুংশিবা ময়েং তারমদে। কয়াদা থাক ৱাংখ্রবা লমচৎনো। তোম্বগী মচিন্দগী থোক্লকখি, “জ্ঞান অমসুং বুদ্ধিনা শেম্বা চৎনবীগী চেকপলশিংদুগী কৈশুমশঙদা বন্দি অমগুম পুন্সি লেনগদবা মীশক্তু ঐহাক্তি নত্তে।” তোপ তোপ্না তাবা অইবসিগী খূৎশেম্নি। ফজৈ হায়নীংঙি। অতোপ্পা অৱাংবা থাক্কী ৱারীমচা অমসু য়াওরি, “ঐগী শগোল তোংবা রাজকুমার’ কৌবা। মসিনা ফজবা নুপীগী লমচৎ অমা শেমগৎপনি। মাবুতা লাইনীং ওইজবী, মাগী মায়কৈদা য়েংজবী, মাগী মফমদা অখাকপা হায়বা অমা থমদনা মশাফাও কখোকচখ্রবী, মশুংলাংগী লৈশানা মমা হায়বীদু ওইরমদৌরবী, অদুবু নুংশি মিঙ্গৌদা রাজকুমার হায়বদুনা লংথোকপীরম্লবা, অতোপ্পা নুপী অমা লুহোংখ্রবা, অচাওরম কাদুনা ভোট লেপ্তুনা মন্ত্রিফাও ওইখ্রবা, অদুবু নহারোলনা তান্নরকপদা চঙজফম লৌরখি রাজকুমারীদুগী কাদুদা। অথাপ্পদা স্কুলগী হেদ মিসত্রেস ওইবদগী ক্বার্টর লৌদুনা লৈরিবী রাজকুমারীনা মাবু থাজবা মাঙহল্লম্লবা রাজকুমারদুবু মথ্বায় কনবীখি, কাংখদা লোৎহন্দুনা। মসিসু অৱাংবা থাক্কী নুংশিবনি করম্না হায়রোইদগে। খূৎশেম ফজৈ হায়নীংঙি। ৱারী খূৎলিসু কাঙলোন চুন্না চৎলি।

নুংশিবা হায়বসি মখল য়াম্মী। ময়ামসিগী মনুংদা মমা-মপানা মচাবু নুংশিবনা থাক খ্বাইদগী ৱাংই হায়নরিবনি। অদুগুম্বা পাউজেল পুবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি, ‘তিংখং’ কৌবা। ফত্তবা মচা পোক্লুবগী, থেমদুনা নৌদুনা হোৎনবদা ফৎত্রবা, নিশা চাবা, মশাগী মপোৎ হূরানবা সুম হেনগৎলকপদগী মপাদুগী খাঙবা ঙম্বগী পংখৈ লান্থোকখিদুনা মসিদবু হূ



পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | চেপথরবা ঈশিং পুন |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | মোইরাংথেম রাজেন |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১১ |
| অফোঙবা | ঃ | পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম |

পীজদুনা হাত্তোক্লগে খন্দুনা মচাদুনা ঙাওরি ঙাওরি লাক্লগা চারগদবা নুমিদাংগী চাক অদুদা হূ হাপচিনখি মমৈথংদা মপাদুনা। অদুবু সুম খন্থরুবদা মচা কৌবনিনা মীনুংশি লাকখি হাৎলমদাইদুদা। অদুনা অইবনা ওন্থোক্লা ফজবা ফিভম অমদা লোইশিল্লকই। খোংজোম পর্ব্ব তারম্বা মপাদু মচানা চাক্তু চারম্বা তারে হায়দুনা হুমাং তাবখৈ চেল্লকখি অহিংদুদা। মচানা চাক লৌথবগা মপানা থোঙ কানশিল্লকপগা চপ মান্নখি। মচা অঙাওবগী মখূত্তগী চাক পুখমদু মুনখি। অদুগা মনিংথোঙদা লংথোকখি। মপানা মাগী চাক্লুক্তু মচা ফত্তবদুদা পীজখি। মপাদুনা চরা হেনখি। মীনুংশিগী মচু লোকপা ঙম্বা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

অতোপ্পা মশক অমা পুরিবা ৱারীমচা অমতং হায়বা তারবদি লাইরিক্কী মমিং পুরিবা ‘চেপথরবা ঈশিং পুন’ হায়বা অসিনি। ৱারীমচা অসিদা অইবনা ওন্থোক্লা ফজনা শাগৎলকই নুপী অমগী শক্তম, মোং-হাদবী, শক-চু চঙখোনবী। অদুবু নুপীগী থমোয়বু মশক খঙবা ঙম্বা হৌনদে হায়বদু উৎনবা হোৎনরকই। নুপানা লাল্লিব্রা, নুপীনা লাল্লিব্রা খুন্নাই অসিদা তোয়না থোক্লি অঙক অঙকপা থৌদোক। নুপা লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপা ঙাঙনবা নুপী লৈরি। মদুফাও ফরি। নুপা লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপা অমদা চেনখিবা নুপীসু লৈরি। অইবনা অদুক লুখ্রবা থিম অসিবু নৈনরি থমোয় তিংনা। নুপীগী ফজবদি অথনবা ঈশিং পুন অমনি উৎলি। অদুগুম্বা পুন অদুনা চেপথখ্রবদি হৈদোকখিবা তাবনি ঈশিং খরদি। ওন্থোক্লা ফজখ্রবা পাউরৌনি ৱারীমচা অসিনা উৎলিবা। থোক্লিবমক্লি খুন্নাইসিদা।

অমুকসু অইবনা য়েক্লি লমচৎ অমা, নুপীগী। মমা পোক্তবীবু, অতোনবীবু তাথিবা হায়বসি খুন্নাইসিদা মিৎনা উরিবমক্লি। অদুবু অইবনা হায়রি, মদু মী মীগী মখা পোনবনি। অফবা অতোনবী লৈ, মরৌশিং লৈবী। মচা চাউপোকশিংদু লাকপা ঙম্বা। অদুগুম্বী মমা পোক্তবী অমগী লমচৎনি, ‘ইবোহলগী নুপী’ হায়বসিদা উৎলিবা। নৌনা পাখ্রা ওইহৌরবা ইবোহল য়ূম পানবা ঙম্নবা নুপী অতোনবী অসি থিরুবনি। অদুবু মচা পাখঙ হেরামনিনা ৱারৌই। অদুনা ‘ইমা’ হায়না কৌদে। ৱা ঙাঙনদে। অদুবু অতোনবী মমাগী পুকচেল ফজবদু উবদা হেরামনি খাঙবা ঙমখিদে। মানা ফৌ কোত্তগী হূরানবদা শাউগদ্রা হায়রসু শাউদে, পুনবা রিক্সো ভাড়াদুম পীরকই। মফি মোৎপদু উবদা শূবিরগে হায়। হেরামনি মায়থীরে। ইমা কৌরগে খল্লকই। অদুনা নোংমা থাবল চোংবা চৎলমদাইদা খংকৌ কৌরকখি, “ইমা! পৈশা খরা পীয়ু। থাবল য়াওরুগে।” অইবগী মায় পাক্লবা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

নরক তল্লিবা লমচৎ খরসু অইবনা য়েক্লি। ‘কীন্থরবা মঙ’, ‘মোহোনগী অৱাবা’, ‘নেশানা পুবা’ অসিনচিংবা। হায়রিবশিং অসিদা মচা শেম্বা হৈহৌদবদগী মাঙবা, পৈশা চাখিবা মীশক্তু হাৎলগা ওক্তা পীজথোকপা, জুৱারগী নেশাদা মতুগী মনাদগী সনা থৎপা লমচৎ কয়ানি য়েক্লিবা। লোইনা পাবা য়াই। সর্প্রাইজ এন্দিং খরা শোল্লবসু।

পূন্নমকসিগী মথক্তা রাজেন্দ্রনা ফজবা ৱারীমচা মখল অমসু ইরি- অচুম্বা মাঙশিল্লকপগী অমদি খূৎলাই পায়জদবা মীচমগী অৱাবা দশা য়েকপা। ‘খোঙউপ জুরা অনী’ হায়বসিদা অইবনা চপ মান্ননা হৌমিন কামিন্নরকপা মরুপ অনীগী য়ু থকফমদা থোঙজিন্দা থনম্বা মাগী মাগী খোঙউপ জুরাশিং অদুনা সিম্বল ওইরি। অমনা ইনাকখুনবগী, অমনা লায়রবগী। ইনাকখুনবদুনা পৈশানা থোং থাদুনা থবক চঙখিবা মীশক্লি। পরিক্ষাদদি চি লাউনা পাস তৌখিবনি। অমদুনা লাইরিক ফনা ফদুনসু, ৱানোম্বা হৈজদবা, লাইরিক ফরুবগী মহয় চাদ্রবা লায়র তাল্লবা মীশক্লি। মতমসিগী মিহুল হুল্লিবা ৱারীমচানি হায়নীংঙি। অতোপ্পা ‘শিবা কিবশিংগী লাইবক’ হায়বা অসিসু ফজরি। মসিদনা নোংমৈ পায়দবা শিবা কিজবা মীচমগী অৱাবা ফিভম য়েক্লি। চাকসু চাথোকপীখিবা, লেকসু লেকপিবা, নৈবা য়াবা নৈরবা তুংদা মীগী মচা নিংঙোলসু লৌবিখিবা নহারোল লালহৌগী মৈশানি উৎলিবা। অইবনা ফজনা লোইশিল্লি, পেন্দ্রবা মপা অদুনা লমহাংদা য়ু থকমিন্নহল্লি খঙনদনা লৈশাবীদুগী হান্না নুংশিনজরম্বা মীচম পাখঙদুগা। নিশাবন্দ নুপী ময়াম্না ফাবা লাকপদা থৱায় অনীদুনা চেনখিবা মওং। শিবা কিবনা মীবু নুপা থোকহন্দে হায়বদু উৎনবা হোৎনরি।

য়ামখ্রে, অইবগী পাউদম্নিংবা কয়া লৈরি। অদুবু মফমসিনা য়াদ্রে। অদুবু ৱাহৈ অমতংদি লোইশিল্লকপদা হায়জনীংই। ৱারীমচাদি মমিং থোনবদগী চেকশিনগদবনি হায়বা ৱা লৈরি। পোলোই অদু মমিংদা উথোকপা তৌনদে। অইবনা লোত্তুনা থমগদবা ৱাদু মমিংদা ইঙ্গিৎ পিথোকপা থেংনৈ। খুদম ওইনা, ‘কিন্থরবা মঙ’ হায়বসি পাদ্রবসু খঙলে, মঙলান্দু কায়রম্মনি হায়বা। মসি ফনা ওইদুনসু অইবগী ‘চেপথরবা ঈশিং পুন’ কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিকসি ফজবা ৱারীমচা কয়া য়াওরে হায়নীংঙি। ●

# ‘অঙাংদু’

## হিন্দীদা ইবা মুন্সি প্রেমচন্দগী ৱারীমচা ‘মানসরোবর-২’/মীতৈলোন্দা ঃ লৈমপোকপম বেদান্তী

***গঙ্গুবু*** ময়াম্না ব্রাহ্মননি হায় অদুগা মা মশানসু অদুম্না খঞ্জৈ। খুলগী ইনাক খুনবা অমদি ঐঙোন্দা নোঞ্জবা মীশিংনা লাপলিঙৈদগী হৌনা ঐঙোন্দা সলাম তৌই অদুবু গঙ্গুদি ঐঙোন্দা অমুক্তা সলাম তৌদে। মাদি ঐনা ওইনা খুরুমগদবনি হায়না খনবা মাল্লি। ঐগী গিলাস লুখাক মখূৎনা অমুক্তা পায়দে মরমদুনা ফনা য়াম্না শারবসু ঐ মঙোন্দা হুমাই হুম্নবা হায়নীংদে। করিগুম্বা ঐনা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলবা কান্দা মানা ঐগীদমক হুমাই পায়রগা হুন্বীবদুদি নেক্লগা হুমহনবগা চপ মান্নে, মাগী মখূৎতগী মুল্লগা ইশানা অদুম হুমজরে। মা মী য়াম্না তিন্নদে, শগোল শেন্নবা, শগোল গাড়ী থৌবশিংগা ফমিন-চামিন্নবসু লেমদে হায়না খল্লি। মা কন্নাগুম্বা অমত্তগা তোৎন-তিন্নবা উদে অদুবু অঙকপদি মা গঞ্জানচিংবসু শীজিন্নদে। মা লাইনীংবা মীসু নত্তে, নোংমত্তা তুরেলদা ইরুজদুনা তর্পন কৎপসু লৈতে, লাইরিক ময়েকসু অমত্তফাওবা খঙদে। অদুবু মা ব্রাহ্মননি, পাল্লবসু পামদ্রবসু মাবু ইকায়খুম্নগদবনি। মীশিংনা মপা-মপুশিংনা থল্লম্বা লন-থুমদা চাউথোকচবগুম মাসু ব্রাহ্মন ওইনা পোক্লম্বসিদা চাউথোকচৈ।

ঐসু মীনাই মীশলশিংগা ৱা কয়া ঙাঙনদে। ঐনা মথৌ তাদ্রবদি মখোয় ঐগী নাক্তা লাকপা পামদে। কৈসু লৈতবা পোৎ অমগীদমক্তসু মী কোয়কৌ কৌবা হৈনদে। ঐদি ইশানা হীদাকফু মহি হৈদোকচবা, মৈ চুখৎপা, খোঙউপ তোংশিঞ্জবা, আলমারীদগী লাইরিক লৌথোকপদা নুংঙাইবা ফাওজৈ। করিসু লৈতবা থবকসিগীদমক হীঙ্গন অমদি মৈফুবু অমুক কৌবা পামদে। ঐ ইশাগী অপান্বা অমদি ইশানা ইশাবু থাজজবা লৈজৈ মীনাইশিংনসু ঐগী লমচৎসিবু খঙই অদুনা মথৌ তাদ্রবদি ঐগী ইনাক্তা খক লাক্তে। নোংমদি গঙ্গুদু অয়ূক ঙন্তা ঐগী মাঙদা লেপ্পরে, ঐ হৈনদ্রে। মখোয়না লাকপসিমক্তবু পৈশা খরা হান্না পীবিয়ু হায়বা নৎত্রগা অতোপ্পা মীনাইশিংগী মরমদা পাউ তম্বা অসিনি। ৱাফম অনীসিমক ঐগী খ্বাইদগী হৈনদবনি। ঐদি থাগী অহানবা তারিখতা মখোয়গী তলব পীথোকই। মরক্তা মখোয়না নীরক্লবদি ঐ শাওনীংই। মখোয়না লুপা অমা-অনী লৌখিবদুগী হিসাব শুম পান্নখিগদ্রা? থা অমগী পীরিবা তলবতু থা মখায় অমদা করম্না লোইথোক্লিবনো? অদুনা পৈশা অমুক পীবা অদুগা পাউ তম্বসিসু ঐ য়াম্না হৈনদে। ঐনা কোক হোৎলদুনা হংই - কৈদৌরে, ঐদি নঙবু কৌদে? গঙ্গুগী নাপল চাউবা শকফমদু ঙসিদি য়াম্না নোল্লুকপা, হায়জবগী মতৌ উরি, মদু উবদা ঐ ঙকপনা লোইরে, মা ঐগী ৱাহংগী পাউখুম পীনবা ৱাহৈ লৈতবগুম তৌরি।

ঐনা খোন খরা তপথনা হংই-“কৈদৌরগে, খুমদ্রিবা করিগীনো? হৌজিক ঐ কোয়থোকপগী মতমনি হায়বসি নঙ খঙলিবা নৎত্রা, ঐ থেংলেনে।” গঙ্গনা নীংবা কায়রবা খোন্থোক্তা হায়রকই-‘অদোম কোয়থোকপীরুরো, ঐ অমুক লাকচগে। ‘মদুনা অমুক হেন্না নুংঙাইত্রে। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদদি মাগী ৱারীদু লীবদা মীকুপ অমফাওবা চঙলোই, ঐ থেংলে হায়বসু মা খঙলিবনি। ঐনা লাইরিক লাইশু পাদুনা লৈরিঙৈদি মানা থবকনি হায়না খল্লি অদুগা ঐনা ৱাখল খন্দুনা লৈবা মতমদদি মানা ঐগী অহাংবা মতমনি হায়না খল্লি। মতমদুদা মা লাক্কনি অদুগা ৱা ময়াম অমা হায়রনি। ঐনা খোন খরা কল্লপনা হায়-“পৈশা হান্না পীয়ু হায়রিরনে? ঐ তলবতগী পৈশা হান্না পীরোই।” “নত্তে, ইবুংঙো, ঐদি হান্নসু পৈশা অমুক্তা নিদে।” “অদু ওইরদি কনাগী পাউ তমগে হায়রিনো, ঐদি মীগী পাউ তম্বসি কয়া হৈনদে, তানীংদে।” গঙ্গুনা লৈজবী পূম্বা খোমজিল্লে, মাগী মওং মতৌদু উবদা করিনো অমদি হায়নীংবা মাল্লে হায়বসি খঙলে, গঙ্গুনা হায়রকই-“ঐবু ছুটি পীবিরো, ঐ অদোমগী থবকসি তৌবা ঙমজররোই।” পুন্সিদা মসিনা অহানবা ৱাকৎনি, ঐঙোন্দা খঙনুং নুংঙাইতবা অমা ফাওরে। করিনো ঐনা করি তৌখ্রগে, ঐগী মীনাইশিংদা ঐদি ৱা অকনবা অমত্তসু ঙাঙখিদ্রি, খোন খরা কল্লপনা হায় - “করিগীনো, করি তৌরে?” “অদোমমুক ফবা মপুসি অমুক্তা থেংনরক্ত্রি, থেংসু থেংনরক্লোই। অদুবু করিগুম্বা মরম অমনা ঐ নহাক্কী ননাক্তা থবক তৌবা ঙমজরোইদৌরে, মতুংদা মীনা ৱা ঙাঙনদনবা অমদি অদোমগী মীংচৎ থিবা থোক্তনবা ঐনা হান্না মাঙজৌননা ৱাফমসি হঙ্গৎচহৌরিবনি।” ঐ তৌফম খঙদ্রে, খনফম থোক্ত্রে, উপায় লৈত্রদুনা বেরেন্দাদা থারিবা চৌক্রিদুদা ফমথরে অদুগা হায় - “ময়েক শেংনা হায়য়ুনে, করি তৌরগে?” গঙ্গুনা য়াম্না নোল্লুক্না হায়রকই - “ৱাফমদি সিনি হন্দক্তা লুখ্রাবীশিংগী লৈফমদগী তান্থোরকখিবী গোমতি দেবীদু...।” তুমিন অমুক লৈখ্রে “হোয়নে, তান্থোকখ্রেনে অদু কৈদৌরগে? নঙগী থবক্কা মাগা করি মরী লৈনবগে?” গঙ্গুনা মকোক্তগী পোৎলুম অমা থাংথবগুম হায়রকই-“বাবুজী! ঐ মাগা লুহোংবা পাম্মী।” ঐনা ঙক্লা গঙ্গুদা য়েংদুনা লৈরে। থায়নগী ৱাখল অদুম খন্দুনা লৈবা, মশানা মশাবু য়াম্না শেংবা ব্রাহ্মননি হায়না খঞ্জবা নুপাশিংগা মথোং মরম খঙদবী ওক্তবীসিগা লুহোংদোইবা, কনামত্তনা মাবু ময়ূমদা চঙহন্নীংলোই। গোমতীনা খুলগী ঈংনা তপ্না পাঞ্জরম্বা পুন্সিদা চরাংনবা থোকহল্লে। চহী খরগী মমাঙদা লুখ্রাবীশিং লৈফমদুদা লৈবা লাকখিবনি। মাগী লৈফমদুদা থবক তৌবা মীশিংগা অহুল্লক লুহোংলবনি অদুবু থাখায় অমগী মতুংদা হেক্তা চেল্লকই। মাগী লৈফম পান্নরিবদুনা মাবু তান্থোকখ্রবনি। হৌজিক খুলগী য়ূম অমদা অশানবা য়ূম অমদা লৈরগা খুলগী নুংঙাইবা পাম্বশিংগী শান্নফম ওইদুনা লৈরবনি।

গঙ্গুগী চমজবা মতৌসিদা শাওনীংবা অমদি ফাওই। মসিগী অপঙসিনা তাইবঙপানসিদা নুপী অমত্তা লৈত্রবগুম তৌরিবসিবু। মাগী হান্নগী নুপা অহুমগী মনাক্তগী চেল্লক্লুবা নুপীসিনা মাগা কয়াম কুইনা লৈমিন্নবা য়াগনি। মাবু ক্রক-ক্রক লাকশিনবা ঙম্বা নুপা ওইরবদি ফবা অদু ওইরবদি থা তরুক চহী অমদি চৎনবা য়াবা। অদুবু মসিগী নুপাসিনবু চয়োল অমদগী হেন্না চৎলোই। ঐনা মঙোন্দা পাউতাক পীবা ওইনা হায়- “নঙবু নুপীসিগী পুন্সি ৱারী খঙলবরা?” গঙ্গুনা মাগী মরমদা লোইনা খঙলবদৌনা হায়রকই-“হুজুর, মীয়াম্না হায়নরিবদু অরানবা ঙাক্তনি, মাগী মীংচৎ থিনবগীদমক হায়জিল্লিবনি।” “করিনো নঙনা হায়রিবদুবো, মাগী নুপা অহুমগী মনাক্তগীনিনে চেল্লকলিবদুবো!” “মখোয়না তান্থোকপীরক্লবদি করিদি উপায় লৈ?” “নঙসিবু কয়াদা পঙখ্রবনো? নুপীবু তান্থোক্লবগীদমক্তরো লুপা লিশীং কয়া তিংলগা লুহোংদুনা পুখ্রিদুবো?” গঙ্গুনা মথৱায় খিত্তং নুংঙাইতনা হায়রকই - “নুংশিবা লৈতবা মফমদা করম্বা নুপীনা কয়াম কুইনা লৈগনি। লুখ্রাবী অমবু লুহোংবীরগা অচৌবা থবক অমা পাঙথোক্লে হায়না খনবদু লানগনি। থৱায় হকচাং অনীমক মাগী ওইবা পামগনি অদুবু অতোপ্পবু ঐগী ওইনা খুদুম চনদ্রিঙৈদা ঐবু হান্না মাগী ওইহনগদবনি। অদুগা ৱাফম অমনা মাগী অপাম্বা অমসু লৈ। মরক-মরক্তা লাই তোংবদৌনা পংঙাঙদা ঙাঙই অদুগা হেক্তা ৱান্থৈ।” “নঙনা অদুগুম্বা নুপীদুগা লুহোংগদৌরিবা? (ঐনা চিংনরপ তৌনা হায়) মুন্না খল্লুদা নপুন্সিদু ৱাদুনতা লেল্লনি।” গঙ্গুনা থৌনা ফনা হায়রকই- “ঐনা খঞ্জবদা ঐগী পুন্সিসি য়াম্না নুংঙাইগনি খল্লি, মখা তাবদি তাইবঙ মপুগী মখূৎতা শিন্নজরে।” “নঙ লেপলে?” “হোয় ইবুংঙো”। “ফরে ঐ নঙগী থবক তোকপগী ৱাফমদু য়ারে। ঐ চৎনবী অমদি লিপুনশিংবু য়াম্না থাজবা মীদি নত্তে অদুবু নুপা অমনা লমচৎ নাইদবী অমগা য়ূম পানমিন্নগনি হায়বসি অরুবা ৱাফমনি। নোংম-নোংমগী থৌদোক মচা মচা থোক্লনি, পুলিস লাকপা য়াই, কেশ লেপ্পবসু য়াই। হুরানবগী ৱাথোক লাকপসু য়াই।” গঙ্গুনা চাক লাল্লবা অরাম খৌরাংবনা ঙাওরবা মীগী মতৌগুম তল মচেৎ উবদা চোঙশিল্লি। তলদু লুখাকনি, অকংবনি, চাবা য়াদ্রবনি অদুবু মা যৌশাদে, ঐনা মসিদগী লাপথোকপনা হেন্না শাফরে খল্লি। -মথং-মথং